ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯳꯱, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯰꯰꯹ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ৩১, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ০০৯শুবা মশীং

# লৈঙোই পুবা ত্রক ফাবা

## ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট মতমগা চুননা শেমগৎসি

লৈবাক অসিগী ফোরেষ্ট মিনিষ্ট্রিনা সেটিলাইট মেপ্পিং তৌদুনা য়েংবদা কুমজা ২০১৫দগী ২০১৭ ফাওবদা মণিপুরগী উমংগী শরুক স্কার কিলোমিটর ২৬৩ হেনগৎলক্লি হায়না পারি। উমং হেনগৎলকপগী চাং অসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়েংবদা কেরলা অমসুং অন্ধ্র প্রদেশকী মথংদা মণিপুরনা ওইরি। নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদনা অসামগী হেক মথংদা মণিপুরনা লৈরি। ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্ট হায়বসি মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্নবা অমসুং ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম শেংনা লৈহন্নবা হোৎনবগী মথক্তা লমলক্কী শা-উচেকশিং ঙাক শেনবগী থৌদাং অমসু লৌই। মহৌশাগী খল কায়হন্দনবগীদমক অমসুং ঈশিং-নুংশিৎকী ফীভম শেংনা লৈহন্নবা উমং-ৱামং য়োকখৎপা অমদি উমংগী পোত্থোকশিং ঙাক-শেন্দুনা থম্বগী অচৌবা থৌদাং অমসু লৌরি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মীওইবগী থৱায় ওইরিবা ঈশিং পীরিবা তুরেলগসু দিপার্টমেন্ট অসিগা অচৌবা মরী লৈনরি। মরম অদুনা ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট হায়বা দিপার্টমেন্ট অসি মীওইবগী পুন্সি মহিংগা য়াম্না নকশিন্নে। উমং-ৱামং য়োকখৎপা, লোগী ৱাংমদা চীংলৈবাক লৌথোকপা থিংবনচিংবগী তৌফম থোকপা মথৌ অসি নত্তবা লৈঙাক অসিগী রিছোর্স হেনগৎহনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মনুংদসু অমা ওইরি। কুমজা ২০১৬-১৭তা দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোরেষ্টকী রোয়েলিটি লুপা ক্রোর ৬.২৫ রোমতমক খোমগৎপা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী ফাওবদনা লুপা ক্রোর ২১.৩ খোমগৎতুনা পুৱারীগী ওইবা মশক নাইবা তানফম অমা য়ৌবা ঙমখি। অসিগুম্বা ফীভম অমা লৈজরগসু লন্নাই মীওইনা উমংগী পোত্থোকশিং লোগী ৱাংমদা লল্লোনবা অমসুং দিপার্টমেন্টকী লাক্ল-ফানবা ঙমদবা এমপ্লোয়ী খরগা মান্নরগা উ-ৱা লল্লোনবা, ত্রান্সিট পাস য়াওদনা দিমাপুররোমদগী লৈঙোই পুশিল্লকপনচিংবগী থবকশিংদি অদুম চত্থবদৌনা তৌরি। হন্দক্তা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী গেটতা পুলিসকী মতেংগা লোয়নননা দিমাপুররোমদগী ত্রান্সিট পাস য়াওদনা পুশিল্লকপা ত্রক গাড়ী ৯ ফাখি। হায়রিবা ত্রক গাড়ীশিং অদুনা ত্রান্সিক পাস য়াওরক্তবা অমসুং থীফম থোকপা রোএলিটি থীরমদবগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইদে। হীরম অসিগী মতাংদা মীয়াম্না হৌজিক হংনরক্লিবা ৱাহংদি মিনিষ্টরনা লৈঙোই পুরকপা গাড়ী ফাবা, চীংনুং-মানুংদা লোন্না-থুপ্না উ লল্লোন-ঈতিক্কী থবক তৌরিবশিং কোয়চেন চেন্দুনা ফাগৎলিবসিগী মহুৎ ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা শিনবা য়ারোইদ্রা হায়বসিনি।

মালেমগী ওইনা তৌনবগুম মণিপুরদসু উমং-ৱামংগী পোৎলমশিং নারোন্দা থৈদোক্তুনা লোনা য়াদবা মওংদা লল্লোনবগী থবক তৌরিবশিং অসি মতিক-ময়াই লৈবা মীওই খূৎপুশিংনি। মখোয় মতমগা চুনবা মখলগী নোংমৈ পায়রমগনি অমসুং মতিক চাবা শেনফমশিং লৈরমগনি। শেলনা য়াবা মফমদনা শেল পীবা, য়াদবা মফমদনা কিহন-খংহল্লগা মখোয়গী হুরানবগী থবক থৌরমশিং অদু পাঙথোক্লমগনি। মরম অদুনা মখোয়গী থবক-থৌরমশিং থিংবা হায়বসি হৌজিক লৈরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিং অসিনা ঙল্লোই। শম্না হায়রবদা অকনবা মী অমবু অশোনবা মী অমগা ফুনহনবা য়াবা হৌনদে। মসিমক্না মরম ওইরগা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং ফাবা ঙমদ্রগা মিনিষ্টরনা হেক হেক ফারিবনি। ফীভম অসিদগী থৈদোক্লগা মিনিষ্টরগী থবক থৌরমশিং অসি দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা তৌহনগে হায়বা তারগদি হৌজিক লৈরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অসি মতমগা চুননা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। থাঙ্গৈশেংনমক্কীদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফ অসি ১৭২০ লৈফম থোকপদা হৌজিক ষ্টাফ ১০৩০ খক্তমক লৈরি। মতম অমদা ফোরেষ্ট গার্দশিংদা দবল বেরেল নোংমৈ পীরম্মী। ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম খম থেংনা ফৎখিদবা মতম অদুদা খূৎলায় পায়বশিংনা মুনবীখিবা অমসুং নোংমৈ শীজিন্নহনখিদবদগী নোংমৈশিং অদু হৌজিক্তি অমা ফাওবা লৈখিদ্রে। ষ্টাফ মশীং য়াম্না ৱাৎপনা মরম ওইরদুনা ফোরেষ্ট বীট খুদিংমক্তা য়াল্লবদা ষ্টাফ ৩না মথৌ তৌরি। মফম খরদদি ষ্টাফ ২খক্তমক লৈবসু য়াওই। খাকি শেৎলগা নেসনল হায়ৱেদা গেট পাল্লগা অরাকপা গাড়ী খুদিংমক চ্যেক তৌবা য়াদবা অমদি লমকেৎ-লমহাইবশিং লাকশিন্ননবা করিগুম্বা মখলগী মতিক-ময়াই অমা ফাওবা লৈজদবনা হৌজিক্তি ফোরেষ্টকী পোত্থোকশিং মতিক-ময়াই লৈবশিংনা লোগী ৱাংমদা লল্লোন-ঈতিক্কী থবক তৌবদা থিংবীনবা মী লৈত্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, মণিপুরগী উমং-ৱামংশিং তুমখ্রবা তুংদা ম্যান্মাররোমদগী নারোন্দা পুশিল্লক্লিবা চাউর-চাউরবা উজাউশিং অমসুং য়াল্লবা উ মপৈশিং অসি থিংননবা থবক লৌখৎপদা লো এন্দ ওর্দর ঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা অসাম রাইফলস, আর্মি অমসুং মণিপুর পুলিসকী চাউরবা থৌদাং লৈ। মখোয়না ফ্রীদা থাদোরকপদগী উমংগী পোত্থোক কয়ামরুম মণিপুর ফাওরগা পুথোকখিবনি। মখোয়দা মতেং পাংননবা লৈঙাক্লা মরী লৈনবশিংদা চে ইবখক নত্তনা থা খুদিংগী পাঙথোকপা কম্বাইন্দ হেদ ক্বার্টরগী মীফমদসু চীফ মিনিষ্টরনা লান্মীশিংদা থৌদা পীবা চঙই হায়জনীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯

১। ঐখোয় মৈতৈগীদি পূং হায়বসি থানবা য়াদ্রবা পোৎশক্লি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তা ইহান হান্না পূং তিংখিবগে?
(খ) করম্বা শাগী মঊন্না তিংবদা পূংখোল থোক্লকখিবগে?
২। "থাপ্না উরিবা চীং অসি ওন্থোক্লা ফজৈদা/নৌনা পূক্লিং হূনা নিংথিদা/ঈংনা নিক নিক লাউইদা।" পরেংশিং অসি ডা. কমলগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। বাংলা অইবা শরতচন্দ্রগী ৱারীমচা 'মহেশ'কী মমি তাবা ৱারীমচা অমা কুঞ্জমোহন্না ইরকখি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। কুমজা ১৯৭৭তা 'নোম নোম শগাই তোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমা থোক্লকখি। অইবী অদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। "শাৎলমদরে কোন্বীরৈ/লম্ফেল পাৎতা ঙসিদি।" ঈশৈ পরেং অনীসি 'ঈশৈ চনিগী পরেং' কৌবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তুদগীনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৮গী পাউখুম ৪ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | |
|---|---|
| ১) সী ঐচ সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৪) |
| ২) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৪) |
| *৩) হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায়* | *(৪)* |
| ৪) হৈস্নাম রুপো, ময়াং ইম্ফাল | (৪) |
| ৫) থোকচোম প্রিয়া, খাঙবোক খুনৌ লৈকায়, পার্ট থ্রি | (৪) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৬৮গী ৱিন্নর**

*হিদংময়ূম ব্রজমনি শর্ম্মা, উরিপোক অহন্থেম লৈকায়* (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

**লিটরেরি ক্যুইজ ৬৮গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম এপ্রিল ০১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৮গী পাউখুম

১। শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওবা থায়নদগী চৎনরকপা অমনি।
(ক) করম্বা নিংথৌ হাক্তক্তগী চৈরাওবসি হৌখিবগে? **:- ক্যাম্বা নিংথৌ**
(খ) ইহান হানবা চৈথাবা মীশক্তুগী মমিং হায়য়ু। **:- হিয়াংলোই**
২। "মীতম্বাক্তা চাউরবা/মীরোন্নিদা তাংলবা/পলেম পন্থৌ খঙদবা/নচানিদা তোল্লবা।" পরেংশিংসি 'বসন্ত শৈরেং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু। **:- অশাংবম মীনকেতন**
৩। "চৈরক্তুদা উরকই ঐগী লোয়নবী/মাগা অহানবা উনখিবা/থম্মোয় অমতা ওইখিবা/লুহোংবা নুমিৎকী তেল্লবা অহিং।" পরেংশিং অসিনা কবি সৌবাম তোম্বা লুৱাংনা ইবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু। **:- 'লৱাইদা মিহুল অমা'**
৪। নুপীনা ইবা ৱারীমচাগী ইহান হানবা লাইরিক অমা কুমজা ১৯৫৮দা থোক্লকই। লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌই? **:- 'পুন্সি মৈরা'**
৫। বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মনা ইবা দ্রামা 'থম্বালনু' কৌবদু হিন্দিদা হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোয়দুগী মমিং হায়য়ু। **:- অরিবম কৃষ্ণমোহন শর্ম্মা**

# ফাগী ওইরসু সিমক্তি

**মহৌশাগী** ৱারী অমা খংলী-লীনীংলকই। লাইশ্রম তা মঙ্গিজাউখোয় ইতৈমা ইবেমহলখোয়গী য়াম্না কন্না ইনখৎলকপা মতমগী তগৎ তগৎলিবা ৱারীনি। ইবেমহল মতম অদুগী য়াম্না মশক মতৌদা চঙখোনবী লৈকায় তরাগী নীংথিজরবী থম্মোয়গী মবেম্মা অমনি, হার্ট থ্রোব হায়বা তাই। মণিপুরী ফিল্ম খরা খরা নম্বা হৌগৎনরকপা মতম অদুদা মাবুসু ফিল্ম কুম্মুককাইনা হায়নরল্লিবীনি হায়। তা মঙ্গিজাউনা মাবু ফিল্ম কুম্বা য়াম কন্না থিংখি হায়নৈ। কুমলম তারদি হৌজিক মতমগী ফিল্ম কুম্বী বালা, সোমা, বিজু, সুস্মিতাখোয়না মশক মতৌদা হেনবীগদৌবিজাৎ নৎখিদে। তা মঙ্গিজাউনা কুশেন শেন্নজবদগী হেনে দাক্তুনা চাউশেল শেন্নজদুনা নমদনা ইবেমহলবু হেক ফিল্মদা খোঙদাহনখিদে, শোর্ট ফিল্ম অমফাওবা কুমহনখিদে। মমান্নবীফাওবা শুকসা শাহনখিদে মতমদুদা।



ইবেমহলখোয়গী থোঙ্গাল ফাওদুনা নোংমগী অনীরক অহুল্লক চৎহৌদ্রবদি মঙ্গিজাউ চাক চাবা চঙবীদবা পাখঙ অমা ওইজখি। য়াসু য়াবীগদবনি, য়াবিদবসু য়ারোই, য়াদ্রগসু য়ানবা হোৎনগদবনি হায়বগী অরোইবা খোঙজং কয়া কয়ামগী মতুংদা নুরা মানা পাখঙগী থম্মোয়গী মক্তবা য়াৱাবু তাবিখি অমদি খঙবীখি। অহানবদি ইবেমহলনা মঙ্গিজাউবু মশক হেক উবদা তিল শীৎপায়দু য়ৌনা নুংশিখিদে। মসি খঙবা মী য়াম্না লৈরি। ফনা নুংশিদ্রবসু শুম শুম নুংশি হায়জরবদি মদুগী মহয় খরা অদুম ফংজৈ হায়বদুনি অমরোমদা।

য়াম্না কুইনা নুংশিনবা য়াবা নুংশিনজরে। থম্মোয় অনী থেঙ্গাইনদবগী ৱাদা মঙাইনা নক্লা নুংশিনজৈ। মঙ্গিজাউগা খ্বাইদগী নক্লজবা মমান্নবদি মাইবম ইবোতোন হায়রিবা নুপা অসিনি। মশক মতৌ চঙখোনবদা মঙ্গিজাউদগী য়াম্না হেল্লি। হেক য়েংবদা নুপীনা পাম্বা শক্তা হায়বদু হেক ওইরম্মী। চাউ শাংজৈ, কুচু মুনা রাশি লৈজৈ। হেঙো-হেঙো তৌবা হৈজৈ। মানা ঙাঙবা ৱা তাবদা শুমহৎতবা নুপী অমত্তা লৈদৌ মান্দে। মানা ইবেমহলবু মীৎয়েং অমা হাইরপ তৌই হায়বসি মঙ্গিজাউসু অদুম চিংনজৈ অদুবু ইবোতোন মঙ্গিজাউগী নুংশিজরবা মতাউবীনি। ইবোতোন্না কোলেজগী ভোট লেপ্পদা মঙ্গিজাউনা কৎথোকপা য়াওনা মতেং চাউনা পাংদুনা ভোট চাউনা কাখিবা লৈ। মঙ্গিজাউ মরুপ অমগীদমক্তা থৱায় থাবা ঙম্বা নুপা অমা ওইখি, থৱায় থাববুদি থাখিদে ৱারীবু হায়বা। মসিনা মরম ওইরগা অমনা অমবু থাজনবগী চাং চঙ য়ৌনা থাজনৈ হায়না লৌনৈ। মসিনি মরুপ হায়বদো। মসিনি মরুপ ইপিজা!

নোংমদি তা মঙ্গিজাউদা সুক্তাক্লা তাল্লমদনা মিষ্টর ইবোতোন্না ইবেমহলগী মনাক্তা লোন্না চৎখি অদুগা ইকায়বা নাইদবা

### ৱাইরু-ৱাইরুবদা

থারবা মমায় অদুদা পানবা মচিনবাল অদুনা ইবেমহলদা হায়খি, "ইবেমহল ঐনা নঙবু শাথিনা নুংশিজৈ। ঐনা মঙ্গিজাউবু মরুপ অমা ওইবগী মায় ঙাক্লকপা য়াবা ঙাক্লকপা ওইনা নঙোন্দা অসুক কুইবসি ঐনা নুংশি হায়না হায়দবগী মরমনি অদুবু ঙসিদি হায়বগী মতমদু য়ৌরে। মাগীসু নহাকপু নুংশিবা য়াবা নুংশিরেনা ঐনা অমুক নহাকপু নুংশিজনবগী মতম অদু য়ৌরে, মাগী নুংশিবতনা নুংশিবরা তাইবঙসিদা? হায়য়ু শানৌ নহাক ঐবু তশেংনা নুংশিদবরা? ইবোতোনগী নুংশি য়াৱা তাবদা অহানবদা হাইফেৎ থাজদনা ঙক্লগা লৈরম্মী অদুবু কাইনদদি, তামোনা হায়বিরিবদু অশেংবরা ফাগীরা হায়না হেক্তা হংলক্লবজাৎনি। ইবোতোন্না এহ! অসুক শেংনা হায়রবা অসিবু ফাগীরা হায়না হংলকপা অসিদি ঐবু নুংশিদবা মাল্লে হায়না ফুক অমুক্তং হৌগৎলগা চৎকে তৌরকপদা ইবেমহলনা খুদাংদা তাপ য়াল্লগা খাম্মী হায়বগী ৱারী অমা তানখি। হৌজিক ইবেমহল মচাসু চাউরে ইবোতোনগী মফমদা লৈজদুনা। ইবেমহলনা ইবোতোনদা ওঙখ্রবা মতুং ফাইরেন থা অহুমগী মতুংদা মঙ্গিজাউগা ইবোতোনগা ইম্ফালগী তাকথোক্লীংদবা মফম অমদা উনবদা ইবোতোন্না নীংঙমদনা হায়খি, ঐদি ইবেমহলদা চুম্নতা নহাক লাক্ত্রিঙৈ ফাগী মচা অমা তৌজরুবতনি অদুবু ইবেমহল হায়বী লমহেনবী অসিনা হরাউ হরাউনা সুমাইনা য়ারক্কনিদি খঙখিদবনিনা ঐনা মাবু নুংশি হায়খিবদনি, নহাক ঐগী ফাগী খঙদ্রনে? ঐনা শোয়বা নৎতে মানা য়ারকখিবদগীনি ঐবু লান্না লৌগনু ভাই।

দাউ য়েংলগা ৱাজাউ ঙাঙবগী কানবসু মমাঙদা খরা য়াওখ্রে অদুদা ঙাঙজরুবদনি। ইতাওবী ঐ নহাক্কী নফমদা মায়থীরে নুপীবুদি মশক মতৌ ফজবী অমা ফংজরে অদুবু হন্দক্তি হরাউফম খঙদরে। ঐনা ফাগী তৌরুবনা অদোম্বু অৱাবা অমা পীখ্রে। মঙ্গিজাউ মীৎতগী পি চদুম-চদুম শিন্থজরে ভাই অদুম্না মী শিবা য়াবা পোৎতা ফাগী তৌবা য়াব্রা হা, কনানা অদুম্না ফাগী তৌ হায়বগে, ফাগী ওইরসু সিমক্তি খরা হেনমন্দরো হা? মদু কনানা ফাগীনি হায়না লৌদৌরিনো হায়বা। কপ্না কপ্না মঙ্গিজাউ ময়ূমদা হনখি।

# পাউ নুংঙাইরগা লোইরে

**নবকুমার ওইনা**

**চহী** অমগী মমাঙদু লৈঙাক লৈরমদবগা চপ হেক মান্নে, ঙাঙনরিবসিবু হায়রিবা। লমদমসিদা পোকপা নত্তবা, লমখৈগী উয়ুং লান্থোক্লগা চোঙশিল্লক্লিবা মী ময়ামসিগা পারগা লাক্ষ ৩০মুকসি লৈঙাক্কী মীওই ৬০খক্তনা পুরিবনি। মদুগী পাউদুনি মালেম শেগাক কায়না চৎখৎলক্লিবসি। মীংচৎকী পাউরা, অফবগী পাউরা, তোকঙাগী পাউরা, অপঙবা ফুদোকপগী পাউরা অমদি অসুম ময়েক শেংলকপগুম তৌরক্লি।

করপসন মুখৎপা হায়না পন্নরিবসি করপসন লৈ হায়বনি। করপসনগী ৱাসি লোগী ৱা নত্তে, লো খঙদবা, লো ইন্দবা, লৈবাক মচা তাদবা, ইকায়গদৌবা খঙদবা, মীওইবগী মায় চোপ্পবা, লো শেম্বা হৈতবা, শামরক-ঙামরক মানবা মীওই য়াওরিবগী পাউ অদুনি। জপান্দদি মতোমতা নোংমৈনা কাপশিল্লগা শিজখিবা য়াওনখ্রে, ইকায়বদগী শিজখ্রিবনি। লমদমসিদনা ইকায়গদৌবদু খঙদবদগী টেবল খুদিংগী লুপা ৫০০ থাদদ্রবদি সাইন তৌদবা ওফিস ময়াম লৈরি, মদুসু নুপীনা অয়াম্বনি। থোঙনাওদগী মুন্না য়েংবদা নুংশিবা অমা য়াওবজাৎনি। ৱাখল খরদি খনবা জাৎনি, নোনখত্তবা য়াওই। নুপী খুন্নাই হৌদুনা লুপা ৫০গী য়ুদি ফারি, নুপীনা পৈশা চারিবা ময়ামসিদি উশিন্নদ্রি হায়বা তারে। পাউ অসিমদি নহানমখৈ হোরম্বা হায়বা অদুনি। ওফিস মচা-মচাদগী অচৌবা ফাওবা পৈশা চানরিবসি নুপী খুন্নাইনা য়াওদ্রবদি খরদি ফনি খল্লকই। নুপীশিং য়াওশিনখিবদগী লায়নাসি খরসু হেঞ্জিনবা মাল্লকইবনি। ওফিসশিংদা ক্বা চাবা, চা-বোরা চাবা, অরুপ্পা খুদোপ-খুজি য়োনবা, ঙা অকংবা, ঙারি য়োনবা, উয়েন অকংবা য়োনবা, ফি য়োনবা ময়াম উরিবসি নুপী ওফিসর, ক্লার্ক য়ামখৎলকপগা মরী লৈনরকপা মাল্লি। ৱিমেন্স এম্পৱারমেন্টকা শম্নরকপদি মাল্লি। ফিজেৎ, চাকচা, কেবা হেনগৎপা অসিমদি ফজদে হায়বা য়াবা নত্তে, তলব নপথিমুকসিনদি পাওদর লৈবা কোন্নবা নত্তে হায়বগী ফাগীসু লৈরিবনি। ইচাগী মমান্নবীনা ফজবা ৱা অমা হায়রকখি, "ইমা নঙসে, কেরা-কেরগা বামোন লাই মাল্লকই"। মদুমক ওফিসতা নীংশিংলকখি, লাইদা পৈশা কৎপা তারকপনি খল্লগা পৈশাদু চৎনবীনি হায়না পীরমখিবনি। পৈশা পীবা মীসু লাল্লিবনি, বন্দ কৌরিবা মীসু লাল্লিবনি, বন্দ নুমিৎতা গাড়ী থৌদবা মীসু লানগদৌরি, দুকান ফম্বা মীসু লানগদৌরি। বন্দ শৌগৎপনি হায়বগী লাইসেন্স কক্কদৌরি। বন্দ তৌবা নুমিৎতা লম্বীদা থোক্লক্তবা মীশিংগী অধার কক্কদবনি, ইলেক্তোরেল রোলদগী মমিং ককথৎকদৌবনি। মসিদং থবক ওইনা পাঙথোক্লকপদু উজরগা শিদা শিজখ্রবসু পেল্লনি। বন্দসি শুংয়া হেক য়াজনীংদে।

লো হায়বসি লাইরিক্কী ৱা মাল্লি, লাইরিক ওইনা খরা থাবা, অঙাংবা-অমুবা মচুগী মখুম ফজবা উপুদা পরেং থম্বা, এ আই আর হায়না থাবা, চহী অহুম-মরি অমুক্তা হাংদোক্তবা লাইরিকশিংদু ওইনা ৱাখলদা খনবসু লৈ। লো খঙনবা হন্দক্তি কোয়না চৎলগা কোয়লাউ লাউবা য়াম্না তারে। মসিবু লো কোলেজ লৈত্রবসু য়ারক্কদৌরিব্রা। নুমিৎ নুমিৎতুদা ৱারী তাজরিবা ময়ামদুদা সার্টিফিকেট য়েনশিনবিরল্লবদি মদুনদুম উকিল ওইরকপা য়াবগী অয়াবদুমগা পীরল্লবদি কোয়লাউ লাউবগী কান্নবদু খম থেংলদৌবনি। মী অসুক য়াম্না এৱ্যের্নেস য়াওরবসু লম্বীদা গাড়ী থৌবা ফজনা হৈগদৌবদি মান্দ্রি, নুপী-অঙাংশিং হাৎপা য়াওরিবসি হন্থগদৌবা মান্দ্রি। মরম হায়ববু শিগদৌবশিংদি মিতিন্দু য়াওরে, হাৎপা ঙমগদৌবশিং অদুদি এৱ্যের্নেস তৌবসিদা য়াওবা শংলমদৌবা মাল্লক্তবা হায়বা তারে। পৈশা চারিবা, ইফোং-ফোংনা ফল্লিবশিং অসি ফাওবা চিংথোকপা ঙম্বগী থৌনা-লৌশিং লৈত্রিঙৈসিদা মী হাৎলক্কদৌবা মী খন্দোকপা ঙম্বা হৌনদ্রিদা। ষ্টেট অতৈদদি শজিক লৈবগী কেস ফাওবা চৈরাক ফংনখ্রে, লমদম অসিগীদি পৈশা হাৎপা য়াওদবগী কেস তৌনদবসু মাল্লিদা। কেস তৌবা হৈতবগীসু ওইবা য়ারিবনি। কনানা খঙবা হুরানববু হুরানবনা ফাবা য়াদবগীসু ওইরল্লবদি? ফক্লাংদা লৈবা চুম্না হিংনবা চেনখিবদা মমৈ পীশিল্লম্বা, নাচল মথিনা পাউহোম্বা হায়বসু লৈরিবনি। ষন্থি মেৎলগা শান্নবদি কংলগা শিঙ থানৈ, বোম মেৎলগা শান্নরুবা য়াবা নত্তে, লৈঙাক মনুংসিদি বোমগী বোম ঙাক্তনি। ত্রান্সপরেন্ট হায়রিবসি পাউগী ৱানি, থবক্কী ৱা নত্তে খল্লি। ময়াই কাবা দ্রগ লল্লোল্লগা ভোট লেপ্পা, পৈশা য়েল্লগা ভোট কাবা য়াবা লমদমসিদা লোনা কৈদৌগে হায়বনো। পৈশাসু চাদনা পৈশা চাবা ওইনা লৌনরবদি লোগী মীওইশিংনা কোয়লাউ লাউবদা নুপী অঙাংশিংনা চুম্না লৌবা ঙমগদৌরিব্রা? থাজহনবা অমদি হান্ননা চঙব্রা খল্লকই। দেমোক্রেসি হায়বদি লোগী লৈবাক হায়বনি, লো খঙদবশিংনা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্তা লৈবসি লানবনি, লোদু থুগায়বনি। লো থুগায়বা ঙম্বশিংনা লো শেম্বা য়াওরকইবনি, লো শেম্বা য়াওবশিংনা লো থুগায়বসু য়াওরকইবনি। তৌদবদি য়াদবা, খ্বাইদগী তুক্কচবা থবক হায়বদু ওইরক্লিবনি।

হায়দে হায়নি, তৌদে হায়নি, লৈঙাক পুরেলশিংগী মপাম মায়কৈদনা খরা হেন্না শেমগৎপা হায়বদুমক মহৌগী মহৌ অদুম উদুনা লাক্লরবগুম্বনি। হন্দক্তি লৈবাক শেম্বসি য়েৎনখা য়ৌশিল্লক্লি, চাকখুম য়ৌশিল্লক্লি। খোংবান-লুক্লাং পূম্নমক তেংখৎলক্লি। হান্নদি তুরেলনা লাল্লিব্রা, ঈশিংনা লাল্লিব্রা, অমত্তবু চুম্না চেল্লমদ্রবা হায়বদুনি। হন্দক্কী সনা য়াথং অসিদি তুরেল নঙসু চুম্না চেল্লু হায়বদুমক্লি। লমদম অসিদবু লাক্লবদি নোংথক্তগী তারকপা নোংসি ফাওবা মনীং তল্লিবনি। মনা-মশিং য়োনবী ময়াম্না পঙলাং লাংজবগী ৱাতনি, শেঞ্জাউ পায়বা শেন্দোং ফক্তুনা লৌরিবা ময়াম অমদি মনীং তম্না শেনয়াই খোমগৎলিবনি। লোনা মদোমদকাক চঙশিল্লুবা য়াবা নত্তে, নোংমফাদোক জিলিবি অপূম্বা খরা হৈদোকপনা য়াবা নৎত্রিবনি।

হান্নগী লৈঙাকপশিংনা শোয়রমদ্রবদি ঙসিগী লৈঙাকপশিংগী থবকপু লৈরল্লোই। অশোয়বগী অশোয়বা ঙাক্তা ঙায়বগী থবক্কী থবক ঙাক্তা ঙায়রকপনি। কনাগী পেরিস, ন্যুয়োর্ক, টোকিও, শাংহাই, লন্দন, মোস্কোগুম্না শেমগৎপগী ৱাখলদুমা য়াওরমদ্রবা পোৎনি। ঙসি ঙরাংদং শঙজাউ অমা শাগৎপা শম্বল খরা খাগৎপা হৈরকপগী ৱাসিতনি। খোংবান তৌরা মেনশিনবা, পুখ্রি তৌরা ফুঞ্জিনবা, ৱাল চল্লা কিন্থবা, থোং শারা তেকপা, উ থারা মাঙবা ময়ামসি শেমদোক্লগনি হায়বসিবু থবক্লা হায়বা। ষণনা শজিক চাববু পাউরা, পুলিসনা ময়াই কাবা দ্রগ ফাববু পাউরা, মথৌনি। ফোরেষ্টনা উ ফাবা কৈদৌবগে?

টি ভিগী পাউসু নুংঙাইরি। মখূৎতা লৈখোম মরিক অমা ফাওবা তৈবা য়াওখিদবা, মুন্না খঙহৌবা, মরল-মথুম পায়বা অহলশিংগী মচা-মশুশিংনা মনা-মশিং থাবা, লৌ উবগী ৱা ঙাঙলকপা উবসিদি পঙনুংদা নুংঙাই। মসিনিদনা লৌমী-শিন্মীগী থবক হায়বসিদি। লৌবুক্লা চহী চূপ্পা কংবনা অয়াম্বনি, চীংমায়রা য়োংনা চু পায়বগুম পায়শিন্নরি। খন্নরিবা অসিবুদি ফমল্লবনি, চহী লিশীং অনীসি করিসু খন্নরক্তবা মাল্লকপদুনি। খোইকাকসি ঙরাং-নহান্তা হিমালয়দগীকাক পাইরকপা মাল্লকপদুনি। হায়বদি লায়রে, থবকনি লুরিবদি। থবক শূবগী হৈনীংবা চঙই, থবক তৌফম চূম্না খনবা চঙই, ইরায় লায়না ঈশিং চঙই। ঈশিং তুংশিন্নবা উ হান্না থাগদরা, উ হৌনবা ঈশিং হান্না তুংশিনগদ্রা খন্থবা তারি। চীংদা ঈশিং তুংফম মশীং খঙদনা শেন্থা তারক্লি, লিটর চান্মা-চনি ফাওবদংগীসু কোম মচা-মচা তৌবা তারক্লি, কাং মচা কোক্তনবা মথাং মথাং চেন্থহনবা ঈচেল নায়হনবা তারক্লি, ঈশিং মরিক অমবু সনা হীদাক মরিক অমনি খনবা তারি। ৱারীগী ৱানি, পাউগী ৱানি, ঈশিং হায়বসি মুন্না খঙবা অমা চঙলি। ৱাথোক ময়াম ঈশিংগী ৱাথোক মাল্লক্লি, তশেংবদি ঈশিংগী ৱাথোক নত্তে, ঈশিং খঙদবগী ৱাথোকনি। ঈশিংদি লাইনি হায়বদি ঈশিংদি চুম্না চৎলি হায়বনি, ঈশিং খঙবা হায়বসি পুন্সি খঙবা হায়বগা মান্নে হায়রিবনি। ঈ অশিবদগী ঈশিং কৌবা, তুরেলদা লৈববুনা লাইজ কৌই হায়নরিবনি। ঈশিং খঙদবা খুন্নাই লৈবা য়াবা হৌনদে, লাইজদগী লাই ইকৌবা তৌনরিবা অসিনি। লাই লাৎপা হায়বদি শেংদোকপা হায়বনি, মোরেল শাগৎপনি। মোরেল হায়রগা লমচৎ ওইনা উবসু য়াওনৈ। মোরেল হায়বসি লোন অসিদা করিবু হায়না খঙনরিবগে ময়েক শেংনা খঙনদ্রবদি লোন অসিদা মোরেল য়াওরমদবা তারক্কদৌরি হায়বসিনি। মোরেল হায়রিবসি লমচৎকী ময়াক অমনি। চুম্বা-লানবা করিনো হায়বা ঙাক্লা চৎপা ঙম্বগী শাজৎ হায়বদি থকসি-খাসি অদুবু মোরেলনি হায়না লৌবদা য়ারগনি খল্লে। লমচত্তা অচুম-অরান খঙনা চৎপা অদুবু মীদুগী মোরেল হায়বনি, লমচৎ অদুমক্তি নত্তে, লমচৎ অদুদা য়াওরিবা থকসি-খাসি অদুনি মীদুগী মোরেলগী থাক। মীৎয়েং অসিদা য়েংলবদি তুমিৎ-কাং, নুপী-অঙাংদগী শামু ফাওবদা য়াওরিবা মোরেলদগী শক্তম করম তৌরিবগে? ওফিস খুদিংদা উরিবা, তৌরিবা থৌওংশিং অসিবু মোরেল হায়বা অমা লৈ হায়বা নীংশিংনবা মান্দ্রি। নাপল কানরিবা, চাউথোকপা ঙম্নরিবা, নিংথৌ মাল্লিবা, চৎপদা ফাওবা মখূৎ ফল্লগা মুকখায়রগা চৎলিবা ময়ামসি উবদা য়োং ওইনা য়েংবা মী য়াওরল্লোই হায়বদি লৈতে। লুপা চনি পীবদা য়ারোই, চামঙা শুহল্লম্মু হায়না ফোংনা হায়বা ঙল্লিবা ক্লার্ক, এ ও, টি ও ময়ামসিদা য়াওরিবা মোরেলগী চাংসি ওন্নবা খূৎলায় অমত্তা লৈবা নৎত্রি। মখোয়না খঙদ্রিবসি মীওইবগী লৈবাক-মচা তাবগী শাজৎশিং অদুনি। পৈশাদা ঙাওবনি, মশাসি অচৌবা তৌবা ঙম্বা শারিবনি। তীল-কাং, য়োংগী, লমহুইগী শাজত্তু থাদোকপা ঙমদবনি, বেঙ্গলি ঈ ওইরম্বসু য়ারিবনি। পৈশা পীরিবশিংসু থবক ওইনা লাউনবা ঙমজদ্রবা, অনম-অহা চুরবা কাঙলূপ হায়বদু ওইরে।

শাজৎ ময়ামসি য়েংলুরগদি ওফিস খুদিংমক পৈশা হুরানফম, শায়েন-ঙায়েন তৌনফম ওইনা উরকই। পৈশা নীরগা য়েন্নবগী খৎনবগী পাউ ময়ামসিনা লৈবাক্কী পাউ ওইনা উরি। চেং-হৱাই, সোলর লেম্প, ফি তুনবা কোল, গ্যাস ষ্টোপ য়েন্থোকপগী পাউ ময়ামসিনা লৈবাক্কী পাউ ওইনা লৌনবগুম তৌরি। মিনিট ময়ামগী পরেং অমসু উরক্লি। মসিনা তাক্লিবনা পূন্না-পূন্না ৱা খন্নবদি হৌরে হায়বদা তারে। ৱারেপতি কদায়?

লিলাদা-লিলা, শুমাং লিলা মাল্লকপসু য়াওরিবনি। শুমাং লিলাদা পোলিটিক্স তৌবসু য়াওনরকপা মাল্লক্লি। পূম্নমকসি পাউ নুংঙাইনবা লিলা ওইনা শান্নরকপনি হায়বা তারক্লি। পাউ পীরিবসি অঙাংদা হায়বা মাল্লকপা, অপঙবদা তাকপা মাল্লকপা, মীংচৎকী মাল্লকপদুনি। মীংচৎকীদমক থবক তৌবা মাল্লকপদুনি।

য়াম্না নুংঙাইরিবসি, তুংগী মীরোলগী হায়নকাক পন্নরকপসিনি। পূনশিন্নবদি য়াদে, শাগৈ জাৎ অৱাংবনি হায়না মুক্তুনা লৈনরি। চহী চা কয়াবু হিংবা ঙমগদৌরি খঙবা নৎত্রি। মুশিল্লক্লিবনি মুৎলবনি।

মীংচৎনবু য়োং ঙাক্লগে হায়বরা।